ট্রক অমা মৈ চাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস) :

নেস্নেল হায়ৱে ৩৭ গী জিরিবামদগী ইম্ফাল তন্না বিলাটিমাটি পুদুনা লাকপা ট্রক (এম এন ০১-৯৫৭৭) অমা ঙরাং নুমিৎযুংবা মতুংদা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা রেংপাং খুলগী মনাক্তা লম্বীদা গাড়ী থৌরিঙৈদা খঙহৌদনা ট্রক অদু মৈ চাক্লকখ্রে হায়রি।

মৈ অদু চীংদা লাম্মে থাবদগী য়ৌরকপা ওইরমগদ্রা হায়না চিংনবা পুলিসনা ফোঙদোরক্লি অদুবু চপ চাবদি খঙবা ঙমদ্রি। ট্রক অদুগী দ্রাইভরগী মমিংনা জিলাসনা (৫৪) কৌই মহাক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নিংথৌখোঙ খা খুনৌদা লৈবনি হায়রি। মৈ চাকপা অদুদা বিলাটিমাটি বেগ অয়াম্বা মাঙ তাকখ্রে হায়রি।

স্ক্রিনিং কেম্প

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস):

চুড়াচান্দপুরগী টুইবোংদা লৈবা এ দি সীগী ওফিসতা ঙসি শিজ আই ক্যের ফাউন্দেসননা শীন্দুনা ফ্রী আই স্ক্রিনিং কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসিদা মীওই ৯২ মীৎকা মরী লৈনবা লায়নাশিংগী স্ক্রিনিং তৌখিবদা কেটরেক্কী কেস ১৭, পেরিজিয়মগী ১১ অমসুং স্ক্যুন্টকী কেস ১ থেংনখি। ডাক্টরশিংনা শিজ আই ক্যের ফাউন্দেসনগী ষ্টাফকা খূৎশম্নদুনা কেম্প অসি পাঙথোকখিবনি। মীৎকী অনাবা লৈবা মীওইশিং এন পি সী বি, সী এম ঐচ টি/পি এম জে এ ৱাই স্কিমগী মখাদা লায়েংলগনি হায়রি।

প্রিন্সিপাল অমদি ভাইস প্রিন্সিপালশিং হাপ্পীননবা তকশিল্লক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচএনএস):

বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম) অমসুং কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম)না লৌবা চহীসিগী এগজাম মমাঙদা প্রিন্সিপাল অমদি ভাইস প্রিন্সিপালশিংগী পোষ্ট হাপ্পনবা মণিপুর গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি লেকচরর্স ৱেলফ্যেরগী এসোসিএসনগী মায়কৈদগী তকশিল্লক্লি।

মণিপুর গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি লেকচরর্স ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, বোসেম অমসুং কোসেমনা লৌবা এগজামিনেসনগী মমাঙদা প্রিন্সিপাল অমদি ভাইস প্রিন্সিপালশিং হাপ্পীননবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

লোয়ননা অথুবা মতমগী মনুংদা ওজাশিংগী আর ও পিগী ওর্দর থোকপীদ্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিন্ননবা লাক্লিবা মার্চ ২৬কী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা মীফম অমা পাঙথোক্লগনি। মীফম অসিদা ওজাশিংনা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পুং ৪৮ বন্দ...

লামায় ১গী মখা... থবক লৌখৎলক্তবা তারবদি পুং ৪৮গী ওইবা টোটেল বন্দগী খোঙজং চঙশিল্লগনি। খোঙজং অসিদা লৈবাক মীয়াম, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক্লা মতেং পাংবীয়ু হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	86.243855
US Dollar	72.441944
British Pound	100.484218
Australian Dollar	56.059177
Chinese Yuan Renminbi	11.129695
Japanese Yen	0.665215
Malaysian Ringgit	17.636509
Singapore Dollar	53.974571
South Korean Won	0.064134
Saudi Arabian Riyal	19.317852
Thai Baht	2.352784

GAS NEWS

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO:12/02/2021
VALID FROM : 11/02/2021
STOCK= 306
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2.GOBIN-7005913637 (THANGA A/C), 3.NANDA - 9362111646/AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).
BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON
KHUMBONG INDANE
Booking upto :17-01-21
Valid from : 15-01-21
Office no.9774068549
Home delivery contact no.7005013837
Whatsapp no.8794973019
Time 7.30am to 10.30am

নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি ২০২০ গী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচর্স এসোসিয়েসন (মুতা) না শীন্দুনা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতা লৈবা মুতা কনফরেন্স হোলদা প্রোমিজেস এন্দ চেলেঞ্জেস ৱিট রিফরেন্স টু হায়র এদ্যুকেসনদা য়ুম্ফম ওইরগা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি (এন ঈ পি) ২০২০ গী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ অমা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্কসোপ অদুদা শরুক য়াখিবা মুতাগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর দেবানন্দ দা দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওকেমিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা এন ঈ পি ২০২০ অসি হায়র এদ্যুকেসনগী ওইনদি য়াম্না মরু ওই। পোলিসি অসিগী মখাদা হায়র এদ্যুকেসনদা অহোংবা কয়া অথুবদা লাক্লগনি।

হান্নবা এরেঞ্জ তৌহৌদ্রবদি অহোংবা লাকপা মতমদা হায়র এদ্যুকেসনগী ইন্সটিট্যুসনশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকপা য়াই। মরম অদুনা এন ঈ পি ২০২০ গী মতাংদা মুন্না খঙলবা মতুং লাক্কদৌরিবা অহোংবশিং অদু ঐখোয়না হৈনা শিংনা হেন্দল তৌনবা হোৎনবা মথৌ তাই।

হীরম অসিগী মতাংদা ময়াম পুন্না ৱাখল তামিন্নবগীদমক নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ অসি পাঙথোকখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা ৱার্কসোপ পাঙথোক্লবা পান্দম থল্লি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঙসি পাঙথোক্লিবা ৱার্কসোপ অসিনা টার্গেট তৌরিবা অসি হায়র এদ্যুকেসনদনি। এন ঈ পিগী ওইনা মরু ওইবা পার্ট মরি লৈ। মখোয়শিং অদুদি স্কুল এদ্যুকেসন, হায়র এদ্যুকেসন, অদর টি এরিয়া ওফ ফোকস অমসুং পোলিসিদা য়াওরিবা চৎনা কাঙলোনশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবা অসিনি।

নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ ওইবনিনা হায়র এদ্যুকেসনগী মতাংদা এন ঈ পিগা লৈনবা মরী অদু মমুৎ তানা খঙনবগীদমক ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। এন ঈ পিগী মীৎয়েং মখাদা লমদম অসিদা লৈরিবা ইন্সটিট্যুসনশিং ক্বালিটি হেন্না লৈহন্নবা হোৎনগদবনি। লমদম অসিদা মল্টি দিসিপ্লিনরি এদ্যুকেসন এন্দ রিসার্চ য়ুনিভর্সিটি অমত্তা লিংবা ঙমদ্রি। মসি ঙম্নবা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা প্রোফেসর এন দেবানন্দনা সিনোপটিক ওভর ভ্যু ওফ এন ঈ পি ২০২০: প্রোমিজেস এন্দ চেলেঞ্জেসকী মতাংদা ৱা ঙাঙখি। অদুগা প্রোফেসর এন লোকেন্দ্র হেদ দিপার্টমেন্ট ওফ হিষ্টোরি, প্রোফেসর সী ঐচ ইবোহল মীতৈ দিরেক্টর সী ঈ এস দি, প্রোফেসর মেমচা লোইতোংবম দিরেক্টর আই ক্যু এ সী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং ডা. এন প্রামোদ এসোসিয়েসন প্রোফেসর এল এম এস লো কোলেজ ইম্ফালনা মথংশিংনা ইমপ্রুভিং গভর্ণ ওফ হায়র এদ্যুকেসন ইন্সটিট্যুটস, রোদ মেপ ফোর ভোকেসনেল এন্দ স্কিল এদ্যুকেসন, ইনহেন্সিং ক্বালিটি এদ্যুকেসন ইন কোলেজেস এন্দ য়ুনিভর্সিটি অমসুং ইমপ্লিকেসন ওফ এন ঈ পি ২০২০ ইন প্রোফেসনেল হায়র এদ্যুকেসন সেক্টর হায়রিবা টোপিকশিং অসিদা ৱা ঙাঙখি।

হিরোইন নম্বর ৪গা কোন্ননা মীওই ২ ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস) :

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টক কম্মান্দোগী টিম অমনা ঙরাং নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা ত্রোংলাওবী মনীং লৈকায়দগী নুপা অমা হেরোইনগা কোন্ননা ফাখি।

মহাক্কী মমিংনা এম দি অরিফ খান (২৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি সনাৱার কৌই মহাক ক্বাক্তা সেপলা ৱার্দ নম্বর-৩ দা লৈবনি। মঙোন্দগী হেরোইন পাউদর গ্রাম ২৬০ অমদি হোন্দা এক্তিভা ৫জি নম্বর য়াওদবা অমগা ফাগৎপা ঙমখি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নুংথিলগী পুং ৩.৩০ তাবদা ক্বাক্তা তেরা খোঙশাংবী মমাং লৈকায়দগী ললিমা (৩১) মপুরোইবা এম দি অব্দুল হাসন কৌবা অমা ফাখি। মঙোন্দগী হেরোইন পাউদর গ্রাম ৩৭ অমদি এস পি টেব্লেট মরু ৯৮ য়াওনা ফাগৎপা ঙমখি। ফারবা মীওই অনী অদু মখা তানা ৱাহং পাউহং চথনবা মোইরাং পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

মণিপুরদা কোভিদকী ২শুবা ৱেব...

লামায় ১গী মখা... ২৮,৯৩১নি। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৫, ৫০২ অমসুং সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৪২৯ য়াওরি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৮.৬৩নি। অদুগা হৌজিক হৌজিক কেস ২৮না এক্তিভ ওইরি। এক্তিভ ওইরিবা কেসশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২৩ অমসুং সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৫ য়াওরি।

অমরোমদা হৌখিবা মার্চ ১৯ ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা মীওই ৮০,১৬৬ তা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপখ্রে। ভেক্সিন কাপখ্রবশিং অসিগী মনুংদা হেল্থ ক্যের ৱার্কর ৩১০৫৬ য়াওরি। অদুমকপু চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা অহলশিংদা ভেক্সিন কাপ্পগী মশীংদি য়ামদ্রি হায়রি।

এস টি দি সীগী দিমান্দ ফংদ্রিবা ...

লামায় ১গী মখা... হৌখি। চীং অমসুং তমদা খুন্দারিবা মীওইশিং নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা য়ানবগী ৱাখল্লোন্দা মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহনবা য়াম্নমক তঙাইফদে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

এস টি দি সীনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চঙশিনগদবা খোঙজংশিংগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, তেরা অমদি শিংজমৈদা হয়েং মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা ৱাকৎ মীফম ফমগনি। করিগুম্বা লৈঙাক্লা এস টি দি সীগী দিমান্দ থৌশাদবা থোক্লবদি মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা লম্বী মতেক মতেক থিংবা, মৈরাগী রেল্লি চৎপা, ইকনমিক ব্লোকেদ অমদি টোটেল সটদাউননচিংবা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি।

হেদ ইঞ্জুরি এৱ্যের্নেস মন্থকী শিজ হোস্পিটালগী সাইকল রেল্লি

মীওই লাখ ২ রোমদি হেদ ইঞ্জুরিনা মরম ওইদুনা থৱায় মাঙহল্লি : ডা. পালিন

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস) :

হেদ ইঞ্জুরি এৱ্যের্নেস মন্থকী মনুং চন্না ঙসি লাঙ্গোলগী হেল্থ সিটিদা লৈরিবা শিজ হোস্পিটালস এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুটনা মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ মাওন্টেন বাইকিং এসোসিএসন (মামবা) গা পূন্না খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা সাইকল রেল্লি অমা হোস্পিটাল অসিগী চেয়রমেন কম মেনেজিং দিরেক্টর ডা. কে ঐচ পালিন, হোস্পিটাল অসিগী মেদিকেল সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. জুগিন্দ্র এস, হোস্পিটাল অসিগী কন্সলটেন্ট ন্যুরো সর্জন্টডা. চবুংবম গৌতম অমসুং ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস ৱিংগী এদিসনেল এস পি এ দেবানন্দনা লমথাখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৭ লোম তারকপদা কংলাগী নোংচুপ থংবা সনথোঙদগী শিজ হোস্পিটাল ফাওবগী লমথাখিবা সাইকল রেল্লি অদুনা অহানবদা শিংজমৈ তারক্লগা মফম অদুগী সুপর মার্কেট মনাক্কী ত্রাফিক আইলেন্দগী পিশুম থোং লাম্থোরক্তুনা ময়ায় লম্বী তারকখি। লম্বী অসিদগী উরিপোক তম্না লাক্তুনা মসিবু ফাওরক্লগা লাঙ্গোলগী হেল্থ সিটিদা লৈবা শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুটতা থুংখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা সাইকল রেল্লি অসিগা মরী লৈননা হোস্পিটাল অসিগী চেয়রমেন কম মেনেজিং দিরেক্টর ডা. পালিননা ফোঙদোকখিবদা মালেমগী ওইনা ৱর্ল্ড হেদ ইঞ্জুরি এৱ্যের্নেস দে হায়না পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসিগী সাইকল রেল্লি অসি শীন্দুনা পাঙথোকপনি।

মণিপুরগী ওইনা হেদ ইঞ্জুরিগী চপ চাবা ষ্টেটিষ্টিক্স রিপোর্টতি লৈত্রি। অদুম ওইনমক কুমজা ২০০৩দা প্রাইভেট সেক্টরদা হেদ ইঞ্জুরিগী অনাবা য়েংবা অহানবা ওইনা হৌরকখিবনি। মতম অদুদগী হৌদুনা য়েংলকপনা এক্সিদেন্টনা মরম ওইরগা হেদ ইঞ্জুরি ওইহনবনা অয়াম্বা ওইখি। মসিনা ইমুং কয়াদা অৱাবা মায়োক্নহল্লি। রেল্লি অসিনা কোক শোকপনা মালেমসিদা কয়ামুক য়াম্না শোকহনবগে হায়বদু তাক্লবগীদমক মীয়ামদা এৱ্যের্নেস পীগনি হায়বগী পান্দম থল্লি। লৈবাক অসিগী ওইনা কোক শোকপগী রেকোর্দ অসি চহী অসিগী ওইনা মীওই লাখ ২০ লোমনি। মসিগী মনুংদা মীওই লাখ অনীদি হেদ ইঞ্জুরিনা মরম ওইদুনা থৱায় মাঙহল্লি। অদুগা মীওই লাখ ৮ রোম্না দিস ফিগর ওইদুনা ফীভম চাহন্দে হায়খি।

কোক শোকপা হেনজিনখিদুনা চৎথোক চৎশিন য়াদবা, প্রোফেসন কয়া মাঙদুনা য়াম্না চাওবা অমাঙবা অমা ওইহল্লি। মরম অদুনা কোক শোকপদগী ঙাকথোক্লবা গাড়ী মচা থৌবদা হেলমেট উপ্পা অমসুং গাড়ী অচৌবদনা সিট বেল্ট ফাবীনবা আপিল তৌখি।

চহী অমা মখায়রোম পন্দুনা লৈরক্লিবা পোক্সো কেসকী...

লামায় ১গী মখা... ৱায়েল চথনবগীদমক কেস অসিগী চার্জশীটতা য়াওবা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেসশিংগী এগজামিনেসন চত্থবা হৌনবগীদমক ওক্টোবর ২৩, ২০১৯দা মতম লেপখি। অদুবু দিসেম্বর ১১, ২০২০দা কেস অসিগী কমপ্লেনেন্টসু ওইরিবী ভিক্টিম নুপীমচা অসিগী অপোকপী মমা (প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস নম্বর ১) গী এগজামিনেসন চত্থবা হৌরগা লোইশিন্দনা হৌজিক ফাওবা লৈরকপগী মথক্তা পি দব্লিয়ু অসিগী ক্রোস এগজামিনেসননচিংবা থবকশিংসু পাঙথোক্ত্রিবনি।

মরমশিং অসি পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল টি ঐচ জুগিন্দ্রোনা কোর্টতা ময়েক শেংনা সবমিট তৌখিবগা লোয়ননা পোক্সো এক্ট, ২০১২গী সেক্সন ৩৫ (২) না পীবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না এক্ট অসিগী মখাদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেসশিংগী ৱায়েলদি য়ারিবমখৈ ওফেন্স অদুগী কোগনিজেন্স লৌবা নুমিৎতগী পারগা চহী অমগী মনুংদা মপূং ফানা পাঙথোক্কদবনি হায়বসিনি।

অদুবু, হায়রিবা কেস অসিদি ওক্টোবর ২৩, ২০১৯দা পি দব্লিয়ু নম্বর ১গী হিয়ারিং চত্থবা হৌরম্বদগী হৌজিক ফাওবদা মচি লেঙদনা পন্দুনা লৈরক্লি হায়রি। লোয়ননা কেস অসিগী এক্যুইজনি হায়রিবা মীওই অসিসু মশাগী চহী য়াল্লকপগী মথক্তা ফেব্রুৱারী ৭, ২০১৯দগী জেলদা থম্লক্লি। থৌওং অসি এক্যুইজনি হায়রিবা মীওই অসিদা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকেল ২১না পীরিবা হকশিং অদু শিংনবনি হায়বসিনি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরননা মেট্টর অসি মমাঙ থাগী ১৭তা লৌখৎতুনা খন্নরকপদা রেসপোন্দেন্ট ওইরিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসনগী ও সীগী মায়কৈদা পব্লিক প্রোজিক্যুটর এস নেপোলিয়ননা লেপখি। কোর্টনা পার্টি অনীমক্কী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেলশিংনা সবমিট তৌনরকপা ৱাফমশিং তারবা মতুংদা নুমিৎ অদুদা কেস অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজার্ভ তৌদুনা থমখিবনি। অদুম ওইনমক চৎলিবা থা অসিগী ১২দা কোর্টনা জজমেন্ট অসি লাউথোকপগা লোয়ননা কেস অসিগী এক্যুইজনি হায়রিবা মীওই অসিগী চহী য়ামশিল্লকপা অমসুং মহাক্কী মথক্তা চার্জ তৌরিবা কেস অসিগী ৱায়েল চথদনা পন্দুনা লৈরকপগা লোয়ননা মহাক ফেব্রুৱারী ৭, ২০১৯দগী জেলদা থম্লক্লিবা ফীভমশিং অদু য়েংলবা মতুংদা মহাকপু লুপা লিশীং ৫০গী পর্সনেল রিলিজ (পি আর) বোন্দ অমসুং মসিগা মান্নবা লোকল সিওরিটি অনীগগী বোন্দদা বেল পীরে হায়খি।

হায় কোর্টনা পীখিবা বেল অসিগী মরী লৈনবা দিরেক্সনশিংদা এক্যুইজনি হায়রিবা মীওই অসি স্পেসল জজ, ফাষ্ট ত্রেক স্পেসল কোর্ট নম্বর ২, মণিপুরদা পোক্সো কেস অদুগী হিয়ারিং চত্থবা নুমিৎশিংদা শোয়দনা কাগদবনি। মহাক ত্রাইএল কোর্ট অসিদগী মাঙজৌনবা পর্মিসন য়াওদনা কোর্ট অসিগী টেরিটোরিএল লিমিট থাদোক্তুনা চৎখিবা য়ারোই। কোর্টনা মঙোন্দা পীরিবা দিরেক্সনশিং অসি মহাক্লা লান্না শীজিন্নবা নৎত্রগা ভাইওলেট তৌরক্লবদি ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সিনা মঙোন্দা পীরিবা বেল অসি কেন্সেল তৌনবা এপ্লাই তৌরকপা য়াগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক হায় কোর্টকী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরননা লাউথোকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুদা য়াওরিবা খ্বাইদগী মরু ওইবা দিরেক্সনদি স্পেসল জজ, ফাষ্ট ত্রেক স্পেসল কোর্ট নম্বর ২, মণিপুরদা পন্দুনা লৈরক্লিবা পোক্সোগী কেস অদু কোর্টনা পীরিবা ওর্দর অসি হেক ফংবগা নুমিৎ খুদিংগী ৱায়েল চথনবা থা ৬কী মনুংদা দিস্পোজ তৌগদবনি হায়বসিনি।

রোজর ইরোম লৈখিদবগী ১০শুবা কুমওন ...

লামায় ১গী মখা... কয়াগী থৱায় মাঙখিবা লৈখ্রে। মরম অদুনা হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা থৌদোক মচা-মচা ওইরবসু য়াম্না মুন্না খন্থদুনা মসিনা তুংদা অমদি মমা-মপা ওইবশিংদা করি অৱাবা মায়োক্নরক্কদগে হায়বনচিংবা খন্থরগা থবক তৌবগী হৈনবি থম্বা মথৌ তাই। মদুনা পূম্নমক্লা ঈংনা-চিক্লা হিংবা ঙম্বা হায়বদু ওইগনি হায়খি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্টগী ৱারোল পীরদুনা নেসনল এৱার্দি এন চাওবনা হায়, মণিপুরদা লাইসেন্স গন পীবা মতমদা অমুক্তা হেন্না মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা চেকশিনবগী তঙাইফদবা লৈরে। তশেংনা হায়রবদা মণিপুরদা লাইসেন্স গননা হাৎখিবা মীওইগী মশিং য়াম্না য়াল্লে। অমরোমদা লাইসেন্স গন লান্না শীজিন্নবগী পাউ কয়া তারিবা অসিনা অচুম্বা ওইরবদি য়াম্নমক লাইবক থীবনি।

মরম অদুনা লৈঙাক্লা হীরম অসিগী মতাংদা য়াম্না চেকশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। লমদম অসিদা পূম্নমক্লা ঈংনা-চিক্লা লৈমিন্নবা ঙম্নবগীদমক অচুম্বা লম্বী চৎপগা লোয়ননা পেন্থোকপা য়াম্না মরু ওই হায়না ফোঙদোকখি।

লোয়ননা থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর শরুক য়াখিবি কংলৈ চীং-তম কনবা লুপকী প্রসিদেন্ট টিঐচ শিলৈমনা হায়খি, খুন্নাই অসিদা চাওনা অহোংবা কয়া লাক্লিবা অসিদগী কনবা ঙম্নবা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা মমা-মপা ওইবশিংনা থকশি-খাশি খঙনা চৎনবা তাকপি-তন্বিবগী য়াম্না মরুওইবা তাঙ্কক অদু লাক্লে। হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা থকশি-খাশি লৈরক্তবা অসি খুন্নাই অসিগী ওইনা লাইবক থীবনি। অহল অমদি অঙাং ওইরবসু শোয়খ্রবদি শোয়খ্রে-লাল্লে হায়বগী হৈনবী থম্নবা হোৎনবা অমা চঙলি। ঙসিগী খুন্নাই অসিদা মীওই অয়াম্বনা ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইনা ৱাখল খনবা অমদি নাপল তৌবা মীওইতনা পীক থল্লে। মী অমনা মী অমবু মী ওইনা উনরক্তবগী চৎনবি অসি শেমদোকহৌবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ফোর্মর রিজনেল ওর্গনাইজিং কম্মিস্নর ভারত স্কাউটস এন্দ গাইদস, এন ই আর, ইন্দিয়া সীঐচ বিরেন্দ্রকুমার, দেসামগী সেক্রেটরি জেনরেল লময়ানবা অমদি ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস গার্জিয়ন এসোসিয়সনগী জেনরেল সেক্রেটরি শৌগ্রাকপম সুমটিসু শরুক য়াখি। লোয়ননা রোজর ইরোম লৈখিদবগী ১০শুবা কুমওনগী থৌরম অদুদা রোজর ইরোম মেমোরিএল ট্রষ্টকী মেম্বরশিং অমদি ইমুং-মনুংগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

ফুমলৌ কৈরোয়গী মীয়াম্না এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোবু তরাম্না ওক্লগা শৌগৎকনি লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস) :

সেকমাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ফুমলৌ কৈরোয় ইবুধৌ কৌব্রুগী লাইফমলেন শঙলেনদা ঙসি এ সী অসিগী এম এল এ ঐচ দিঙ্গোবু ফুমলৌ কৈরোয়গী খুঞ্জাশিংনা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা তরাম্না ওকখ্রে।

থৌরম অদুদা ফুমলৌ কৈরোয় ইবুধৌ কৌব্রু লাইরেম্বা দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি চিংথাম অনিল মীতৈনা ফুমলৌ কৈরোয়গী মীয়াম্না অমত্তা ওইনা লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন অসিদা এ সী অসিবু অহোংবা পুরক্নবগীদমক এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোবু শৌগৎলগনি হায়না লাউথোকখি।

লোয়ননা ফুমলৌ কৈরোয় ইবুধৌ কৌব্রুগী লাই হরাওফমদা লাউথোকখিবা অসি ইচম চম্বা ৱাফম নত্তে। লাইগী মিংদা লেপনখ্রবা ৱাফমনি হায়খি। এম এল এ ঐচ দিঙ্গোনা মণিপুরদা লৈরিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএশিংগী মনুংদা সেকমাই এ সী অসিনা খ্বাইদগী শোথরবা এ সী অমা ওইরম্বা অদু হৌজিক বি জে পিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট লাকপদগী চাওখৎ খোঙথাংগী লম্বীদা অওনবা পুরক্তুনা অহোংবা কয়া পুরক্লি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনসু কদাইদা করি শোত্থবা লৈরি হায়দুনা মফম খুদিংগী মীৎয়েং চঙবা লেপত্রি। মীয়ামগা লোয়ননা এ সী অসিগী অৱাৎ অপা লৈহন্দনবা হোৎনগনি। এম এল এনা অথুবা মতমদা ফুমলৌ কৈরোয়গী ইবুধৌ কৌব্রু লাইশঙসু শাবা হৌরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসি সেকমাই এ সীগী এম এল এবু ওকপগী থৌরম অদুদা ময়াং লাংজিং জিলা পরিষদকী মেম্বর কে সোহদেব কৈরোয় ইবুধৌ কৌব্রু লাইরেম্বা দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কে রোবিনচন্দ্র অমদি খুলগী অহল লমনশিংসু শরুক য়াখি।

কোভিদ-১৯ গী ২শুবা চৈথেং ফংদনবা হোৎনমিন্নসি : ৱাই খেমচান্দ

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস) :

লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ গী ২শুবা চৈথেং ফংদনবা ঐখোয় পূম্নমক্লা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই হায়না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ঙসি রিমসকী জুবিলি হোলদা পাঙথোকখিবা ১১ শুবা এন্যুএল কনফরেন্স ওফ মেদিকেল সোসাইটিগী মেসোকোন ২০২১ হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা রিমসকী ফোর্মর দিরেক্টর প্রোফেসর এন ফিমাটে, রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর ঐচ প্রিয়োসখি, রিমসকী দিন (একাদমিক) প্রোফেসর গোজেন অকোয়জম, রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তা, মেসোকোনগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি ডা. মেমচৌবী অমদি মেসোকোনগী ওর্গনাইজিং চেয়রমেন প্রোফেসর এ কে কাকুনচিংবা শরুক য়াখি।

কনফরেন্স অদুদা রিমসকী মেদিকেল ষ্টুদেন্টস, অর্মী কোলেজ ওফ মেদিকেল সাইন্স দেল্লীগী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা পেপরশিংসু পাথোকখি।

থৌরম অদুদা ৱাই খেমচান্দনা মখা তানা হায়, কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক মতমদা ডোক্টর, নর্স অমদি পেরামেদিকেল ষ্টাফশিংনা লৌখিবা থৌদাং অদু য়াম্না চাওই। মদুমক্লা ঙসি মণিপুরদা নোর্মেল ওইনা লাকখিবনি।

২শুবা কোভিদ ৱেবকী চৈথেং অসি ফংদনবা ঐখোয় পূম্নমক্লা লিংজেন মান্ননা পুন্না থবক তৌমিন্নবা চঙই। ২শুবা ৱেব অসি ঐখোয়না থিংনবা কন্না হোৎনসি। মণিপুরদা লৈরিবা মীওই লাক্ষ ১০ রোম অসি কোভিদকী ভেক্সিনেসন অসি কাপ্পগদি য়াম্না লায়না কন্ট্রোল তৌবা ঙমগনি। ঙসি পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অদুনা কান্নবা কয়া ফংবা ঙমগনি হায়না থাজবা থমখি।

শেলোই লংমাই চীংগী পন্থৌগী লাইকোন্দা লমতা থাগী অহানবা থাংজগী থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস) :

ঙসি লমতা থাগী ৭নি পানবা লমতা থাসিগী অহানবা থাংজ ওইরিবা নুমিৎ অসিগীদমক লমদমসিদা লৈরিবা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্তা পন্থৌগী লাইকোলদা ঈরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে।

নোংপোক চীংঙু থোং, থলো সিপি লোক, সেলোই লংমাই চীংদা লৈরিবা পন্থৌগী লাইকোলদা লমদমসিগী মীয়ামবু অৱা অনা নংদনবা, খুঞ্জাও লৈচাওনবা অমসুং মীয়াম্বু পুন্সি নুংশাংনবা অথেন পোৎ য়াওনা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ঙসিগী থৌনি থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

ঈরাৎ থৌনি থৌরম অসিদা মপূং ওইনা শরুক য়াখিবা লাইবু ওইবা পন্থৌনা থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা/য়াখিবী মীয়াম পূম্নমক্তা হায়খি, তাইবঙগী লৈরিবা মীওই খুদিংমক্কী অৱা অনা তাগদবা কয়াদগী ঙাকথোকপীননবা থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা থৌনিজবনি।

তাইবঙবু শেম্বীরিবা শেম্বীবা মপু হায়বসিদা লাই হায়বসি মীওইবগীদি শাগোন্নজবা ৱারবা মতমগীনা চঙজফমনি। খুঞ্জাও লৈচাওনবা, ৱাত্ত-পাদনবা, অৱা-অনা মায়োক্নদনবা, চাদা-নাওদা তাবা হায়বসি তাইবঙগী ওইনা পীনবীবা মতমদা লমদমসিগী মীওইবা খুন্নাইদা ঈং-চিকপা, তংদু লৈতাবা ওইরিবনি হায়খি।

পন্থৌনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লাই নীংবা হায়বসি মীওইবগী থাদোক্লবা য়াদ্রবা থৌদাং অমনি। লাইগা শাগোন্নদুনা অমসুং নীংজদুনা চৎলিবা তাইবঙ মীওইবশিংদি মশা মশাগী ওইনা তোঙানবা লোনচৎ অমগা লোয়নদুনা লৈগনি হায়খি।

মৈতৈ লাইনীংবু থাগোন্নরিবা মীশত্তু মৈতৈ লাইনীং য়োকখৎলিবনি। লাইনীং অসিবু য়োকখৎপদা ঐগী মশক লোয়নগনি। ফিজেৎ লৈতেংদা ওইরবসু লাইনীং অদুগী মশক তাক্কনি। থকসি-খাসি, চৎন-লোনচৎকী মশক তোঙান্না লাইনীংদুগী ওইনা তাকচবা লৈগনি। অদুনা মৈতৈ অমা ওইবদা মৈতৈ ফুরুপকী লৈজরিবা লাইনীং অসি কন্নবা হোৎনবনা নীংজবা ওইগদবনি হায়খি।

পন্থৌনা তাইবঙগী মচা ওইরিবশিংবু মীতৈ লাইনীংবু নুংশিবা অমদি মশক তাকপা ঙম্বা ঙাক্তা ওইহন্নীংই। মশক তাকপা হায়বসি লাইনীং-লিচৎকী মনুং চন্না লৈরিবনি। অদুনা মচা ওইরিবশিংবু পুন্সি নুংশাংনবা, অৱা অনা লৈতনবা, চাকহোঙ-ঙাহোঙবা, খুঞ্জাও লৈচাওদুনা চাদা-নাদা শন্দোক্লবা ঙসিগী থৌনি থৌরম অসি পাঙথোকপনি। চাদা নাওদা শন্দোকপা ঙম্বা হায়বসি লাইনীং শন্দোকপগী মনুং চন্না লৈগদবা মচৎনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

KINGDOM
Govt. Regd.No. 422 of 2020
AVIATION COURSE
SPOKEN HINDI
SPOKEN ENGLISH
COMPUTER (NIELIT)
STOCK MARKET
ADMISSION OPENS
FOR ALL COURSES NOW
SIR NAOBI LOITONGBAM
- 21 YRS. TEACHING EXPERIENCE
- 3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
- 2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
- 1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
- MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES AS A TRAINER (SPONSORED BY UGC)

#7005622203, 6009124946
ONLY AVIATION COURSE STARTS FROM 12th APRIL 2021
Aviation Staff
H. NANDITA DEVI
BBA(h) Tourism & Hospitality Management,
Ex Cabin Crew Kingfisher - 4 yrs.
Qatar Airways - 3 yrs
K. BIDYARANI DEVI
Air India Sats - 3 yrs, Bangalore
Indigo Airline, Imphal Airport since 2017 till date
RAKESH N.
Mr. Reso King Manipur 2011.
Rescacaal Manhunt Manipur 2014.
Fair & Lovely Mega Mr. North East 2015.
Rubaru Mr. India 2018 Best Ramp walk
S. KANCHAN CHANU
Miss G.P. Women's College 2014,
Manfete Queen 2015 - 1st Runner Up.
Miss Ougri Photogenic 2015,
Miss Manipur Queen 2017,
Miss India Manipur 2017
Computer Courses :
Tally GST, CCC, CCP, C/C++, DTP, DCA (3/6 mths.), etc
100% Job Placement Assistance
Address: IIIT Building, Old Lambulane Opp. G.P. Women's College Main Gate
Keishampat Kangabam Leirak behind Bheigo Hotel (below Apex)
HL-B/6865/21/3 to 21/5 (Alt.)